# ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা অনৌবা মিসাইলগী চাংয়েং মায় পাক্লে : নোর্থ কোরিয়া





সিওল, ফেব্রুৱারী ১৩ :

মিদিয়মদগী লোং রেঞ্জ ফাওবা ওইবা য়াবা অনৌবা মখলগী বলিষ্টিক মিসাইল অমা নোংমাইজিং নুমিৎতা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না নোর্থ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মিসাইল চাংয়েং অদুগা লোয়ননা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিংগী মায়োক্তা পায়খৎলিবা খুৎলায় প্রোগ্রাম অমা মখা তানা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে হায়না লৈবাক অসিনা ক্লেম তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা অৱাংবা আর্ক অমদা কাপখৎতুনা ঈশিং ঈপাক্তা তাহনখি। মদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মালেমদগী তোখায়না তারবা লৈবাক অদুগী মথক্তা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখিবদুবু অহানবা ওইনা চাংয়েং তৌবনি হায়না লৌনরি। হৌখিবা চহীদা নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা থুবগী চাংদা ন্যুক্লিয়র দিভাইসশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং তৌখি।

নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেটনা রন তৌবা কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, পুকগুকসোং -২ হায়না মমিং থোনবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা পুবা ঙম্বা অনৌবা মখলগী ষ্ট্রেটেজিক খুৎলায়গী চাংয়েং অদু লৈবাক অসিগী লীদর কিম জোং উননা সুপরভাইজ তৌখি।

চাংয়েং অদুগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অথুবা কন্সল্টেসনশিং পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রে। নিংথৌকাবগী নুংথিলদা মীফম অমা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা য়ু এস মিসনগী ওফিসল অমনা হায়খি।

পিয়োংয়াংগী মথক্তা মখা তানা সেঙ্কসনশিং থম্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা খন্নবা য়াই হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা জপান্না ফোঙদোকখ্রে অমসুং খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল লোঞ্চ অদুদা রেস্পোন্দ তৌবদা কন্সট্রক্টিভ ওইবা থৌদাং অমা লৌনবা চাইনাদা তকশিনখ্রে।

চাইনা অসি নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা মীচং অমসুং লল্লোন-ঈতিক্কী পার্টনর ওইরবসু পিয়োংয়াংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না কাইহৌবগী মওংদা হৈনদবা পোক্লি। তৌইগুম্বসুং য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অদুগী থৌওংশিং কন্ট্রোল তৌনবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা হায়বদা ইয়া য়াংনিংদনা লৈরি।

‘ঐখোয়না চাইনাদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা লেভেলশিংদা কন্সট্রক্টিভ ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখ্রে অমসুং মায়কৈ অসোমদা ঐখোয়না মখা তানা থবক তৌখিগনি। মসিগা ঈরোয়ননা জপান্না নোর্থ কোরিয়াদা কাইহৌবগী থৌওংশিং চথুরক্তনবা অমসুং য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং ঙাক্লবা মখা তানা তকশিনখিগনি’ হায়না জপানগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি য়োশিহিদে সুগানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে।

চাইনাগী মায়কৈদগীদি মিসাইল লোঞ্চ অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরকপা লৈত্রি।

হৌখিবা চহীদা অনী য়াওনা চাইনানা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং মঙা পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমা মিসাইল অমদা হাপ্পা য়ানবা মওংদা পীকশিনহনবা ঙম্লে হায়বা ক্লেম্বুদি ইনিদপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাই তৌবা ঙমদ্রি।

কে সি এন এনা হায়খি, য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা মিসাইল অদু অৱাংবা এঙ্গলদা কাপখৎখি। সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা মিসাইল অদু কিলোমিটর ৫৫০ ফাওবা ৱাংনা পায়খৎখি হায়খি। মদু জপানলোমদা কিলোমিটর ৫০০ রোম পায়রবা মতুংদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ইষ্ট কোষ্ট মনাক্তা তাশিনখি হায়রি।

# পাকিস্তানদা সুইসাইদ বোম এটেক্তা মীওই ১৬ শিখ্রে




লাহোর, ফেব্রুৱারী ১৩ :

পাকিস্তানগী ইষ্টর্ন সিটি লাহোরদা ঙসি নুমিদাং মীয়াম্না দ্রগ পোলিসী শেমদোকপগী মায়োক্তা অচৌবা দেমোন্সট্রেসন অমা পাঙথোক্লিঙৈদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশা পোকখায়জদুনা চত্থুরকখিবা শাথিরবা এটেক অমদা সিনিয়র পুলিস ওফিসর অনী য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ৪০ রোম্না অশোক-অপন নংখ্রে।

দি আই জি (ত্রাফিক) সয়েদ অহম্মদ মুবীন অমসুং সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জহিদ গোন্দালনা প্রোটেষ্টরশিংদা মীয়ামবু লম্বীদা চৎপদা অপনবা থোকহন্দনবা কন্না তক্করিঙৈদা নহা অমা মোটোরসাইকলদা তোংলগা মখোয়গী মনাক্তা চঙলকখি অমসুং বোম্মিং এটেক অদু চত্থখি হায়রি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা ত্রাফিক্কী কনষ্টেবল মরি য়াওখি অমসুং শোকখিবশিংগী মনুংদা প্রোটেষ্ট অদুগী পাউ লৌরিবা মিদিয়াগী মীওই খরসু য়াওখি হায়রি।

কেমিষ্টশিং অমসুং ফার্মাস্যুটিকেল মেন্যুফেকচররশিংগী গ্রুপ অমনা লাহোরগী মোল রোডকী চারিং ক্রোসতা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টগী অনৌবা দ্রগ বিলগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। মফমদু ষ্টেট এসেমব্লিগী হেক মপানদা ওইখি। পুলিস ওফিসরশিংদুনা প্রোটেষ্টরশিংদুদা লম্বী মতাইদা লৈরিবা খোঙ লম্বীদা হাইদোক্তুনা নুমিদাংগী মতমদুদা মীয়ামবু চত্থোক-চৎশিন য়াহল্লু হায়না তক্করিঙৈদা সুইসাইদ এটেক অদু পাঙথোকখিবনি। লোকেল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, পাকিস্তানি টালিবানগী ফেক্সন জামাট-উল-অহররনা থৌদোক্তু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে হায়রি।

# য়ু এন চীফনা ফায়াদপু লিবিয়াদা থানবগী চপ চারবা মীশক্লি হায়খ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারী ১৩ :

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, হান্নগী পালেষ্টাইনগী প্রাইম মিনিষ্টর সালম ফায়াদ অসি ৱর্ল্ড বোদি অসিগী লিবিয়াদা থাবা য়াবা পাউখোল্লোয় ওইহন্নবগী ‘চপ চারবা’ মীওই অমনি হায়না মহাক্লা থাজে। ফায়াদপু ফমদুগীদমক্তা খনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা গুটেরেসনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

গুটেরেসপু ফমদুগীমক্তা খনবগী খোঙথাংদা য়ু এনদা লৈবা য়ু এস এম্বেসেদরনা নুংনাংবা ফোঙদোক-খিবনি। ৱর্ল্ডবোদি অসিনা মতম শাংনা ফজন্দবা মওং অমদা ঐখোয়গী মীচং ইজরেলগী মায়োক্তা পালেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিবু শৌগৎতুনা লাক্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

হান্নগী পালেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর সালম ফায়াদপু লিবিয়াগী কনফ্লিক্ট ৱাতেমহন্নবা মহাক্না খনখিবদা য়ু এসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবসি মঙোন্দা নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল গুটেরেসনা হায়খি।

‘ফায়াদ অসি হৌজিক হৌজিক থবক্তুগীদমক্তা চপ চারবা মীওইনি’ হায়না মঙারকশুবা ৱর্ল্ড গভর্ণমেন্ট সম্মিটতা গুটেরেসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ৱারোল পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

য়ু এনদা লৈবা য়ু এসকী এম্বেসেদর নিকি হেলিনা হৌখিবা থাংজদা ফায়াদকী এপোইন্টমেন্ট অদুবু থিংখিবনি। য়ু এস অসি ভিটো পাৱর পায়বা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর অমনি।

মশাগীচহী ৬৪ শুরবা ফায়াদপু গুটেরেসনা জর্মন দিপ্লোমেট মার্টিন কোবলরগী মহুৎ শিন্নবা খনখিবনি। কোবলরনা লিবিয়াদা থাবা য়ু এনগী অখন্নবা পাউখোল্লোয় ওইনা অমসুং লিবিয়াদা লৈবা য়ু এন সপোর্ট মিসনগী মকোক ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বরদগী থবক পায়রকখিবনি।

হান্নগী পালেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর ফায়াদ অসি মফম খুদিংমক্তা মশক খঙলবা ফমদুগীদমক্তা চপ চারবা মীওইনি হায়না গুটেরেসনা হায়খি।

‘মহাক থবক থৌরমশিং মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্বা মীশক্লি। মহাকপু পাউখোল্লোয় ওইনা খনবদা ওবজেক্সন তৌবা হয়বসি লিবিয়াগী অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী ওইনা মাঙজবা অমা ওইরগনি’ হায়না য়ু এন চীফনা হায়খি। ‘লিবিয়াগী কনফ্লিক্টপু কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি মীপুং খুদিংমক্কী অপাম্বনি।’

হৌখিবা জান্যুৱারী ১ দা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা থবক পায়বা হৌখিবা গুটেরেসনা টর্কি অমসুং সাউদি অরাবিয়াদা চৎলুরবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দুবাইদা থুংলখি। য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলগী মিদ্দল ইষ্ট খোঙচৎ অসিদা ওমান, কতর অমসুং ইজিপ্টসু য়ৌগনি হায়রি।

# পাকিস্তান আর্মি চীফনা ওফিসরশিংদা ইন্দিয়ন দিমোক্রেসিনা মায় পাকপগী লাইরিক পানবা পাউতাক পীখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১৩ : হৌখিবা চহীদা মহাক্কী অহানবা স্পিচ তানবা টোপ ওফিসরশিংনা পুনখিবা মতমদা পাকিস্তানগী আর্মি চীফ জেনরেল কামর জভেদ বাজৱানা মহৌশাগা ইমান মান্নদবা মওংগী পাউতাক অমা ওইনা ইন্দিয়ানা করম্না মিলিটরিবু পোলিটিক্সকী ৱাংমদা লৈহনবদা মায় পাক্লিবনো হায়বগী মতাংদা অমেরিকান একাদেমীক অমনা ইবা লাইরিক অমা পানবা হায়খি হায়রি।

গভর্ণমেন্ট রন তৌনবা হোৎনবগী আর্মিগী থোইদোকপা মথৌ লৈতে হায়না বাজৱানা হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা জেনরেল হেদক্বার্টরসকী ওদিটোরিয়মদা পুনখিবা রাৱালপিন্দি গেরিসনগী আর্মি ওফিসরশিংদা হায়খি হায়না দ নেসন পাউচেনা হায়রি।

আর্মি চীফ ওইনা পীখিবা বাজৱাগী অহানবা স্পিচ অদুবু মহাক্কী মিৎয়েং শেংনা উখোকপনি অমসুং য়াম্না ফজবা মওংদা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী মিৎয়েংশিং অদু অনীথোক্লা খন্ননিঙাই ওইদবা মওংদা ওফিসরশিংদা খঙহনখি হায়না পাউচে অসিনা হায়খি।

জেনরেল অদুনা ওফিসরশিংদুদা আর্মি এন্দ নেসন : দ মিলিটরি এন্দ ইন্দিয়ন দিমোক্রেসি সিন্স ইন্দিপেন্দেন্স হায়বা ষ্টিভন আই ৱিলকিন্সননা ইবা লাইরিক অসি পানবা পাউতাক পীখি। ৱিলকিন্সন অসি য়েল য়ুনিভর্সিটিগী ইন্দিয়া অমসুং সাউথ এসিয়ন ষ্টদিজগী নিলেকানি প্রোফেসরনি।

ইন্দিয়া অমসুং নোংচুপলোমদা নিংথিনা রিভ্যু তৌনখিবা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা ফোঙখিবা লাইরিক অসি অতৈ লৈবাকশিংনা মায় পাক্তবসু ইন্দিয়ানা করম্না অমসুং করিগী মসিগী মিলিটরিবু পোলিটিক্সকী ৱাংমদা মায় পাক্লা লৈহনবা ঙম্লিবনো হায়বগী মতাংদা মপূং ফারবা দেটাদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবনি হায়রি।

ইন্দিয়ন দিমোক্রেসিগীদমক্তা আর্মিবু সেফ ওইহল্লিবা পোলিটিকেল, ফোরন পোলিসীশিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিক ৱারেপশিংদা লাইরিক অসিনা মিৎয়েং থমই। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেটিক প্রোসেস করম্না মায় পাক্লিবনো হায়বগী মতাংদসু লাইরিক অসিদা শুগায়না পল্লি হায়রি।

বাজৱানা ইন্দিয়াগী মরমদা অদুক্কী মতীক পাই হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরি। মহাক্লা পারিবশিংদুদা মিদিয়াদা ইন্দিয়াগী মরমদা ফোঙবা রিপোর্টশিং অমসুং লাইরিকশিং য়াওই হায়রি। মহাক্লা ইন্দিয়াগী মরমদা থৱায় য়াওবা হৌখিবসি কুমজা ১৯৯২ দা নহা ওইরিবা মেজর অমা ওইনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা সার্ভ তৌরিঙৈ মতমদগীনি হায়না মহাক্কী কোলিগনশিংনা হায়খি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল এ সি) দা বাজৱাগী কম্মান্দিং ওফিসর ওইখিবা থবক্তগী পোত্থারবা বৃগেদিয়র ফেরোজ হশন খাননা হায়খি মদুদি, পাকিস্তানদা খ্বাইদগী হেন্না মতীক ময়াই লৈবা পোজিসন পায় হায়না লৌনবা মীওই অসি ইন্দিয়াবু ‘নুংদগী তাথিবা অমসুং তুক্কৎচবগী’ ৱাখল চেন্দে।

বাজৱানা মরম ওইদুনা এল ও সি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ইন্টরনেসনল বোর্দরদা উংখৎনবগী ফীভম হন্থরক্লিবনি হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লে হায়রি।

# মেক্সিকোগী সিটিশিংদা মীয়াম্না দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং মখোয়গী প্রসিদেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




মেক্সিকো সিটি, ফেব্রুৱারী ১৩ :

মীওই লিশিং কয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা মেক্সিকোগী সিটি কয়াদা লম্বীদা থোক্তুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়না য়ু এসকী অনৌবা লীদর অসি অমেরিকা অমসুং মেক্সিকো অনীমক্তা খুদোংচাদবা থোকহনবা মীওইনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।


মেক্সিকোগী ফিরালশিং হাইরদুনা অমসুং হঙ্গৈইনিঙাই ওইবা ৱাহৈ-ৱাতা খরা ফাওবা য়াওনা স্পেনিস অমসুং ইংলিস লোল অনীমক্তা এন্টি-ত্রম্প সাইন কয়া উৎলদুনা প্রোটেষ্টর কয়ানা মখোয়গী প্রসিদেন্টবুসু অকনবা মওংদা চৈথাংখি। মখোয়না প্রসিদেন্ট এনরিক পেনা নীটোবু ময়ুম লৈবাক্তা করপসন অমসুং মীশি-মীনাগী ঈরাংশিং তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা অশোনবা লীদর অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইম্মিগ্রেসন অমসুং লল্লোন-ঈতিক্কী মতাংদা মেক্সিকোগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎকনি হায়বা প্রোমিজশিংগা লোয়ননা ত্রম্পনা প্রসিদেন্সি ফঙবা পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদগী ত্রম্প অমসুং পেনা নীটোনা লৈবাক অনীগী মতম শাংলক্লবা অরুবা মরীগী মতাংদা থা কয়ামুক অৱাই-অখুম তৌনখি।

ত্রম্পকী পোলিসীশিং অদুনা লেটিন অমেরিকাগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনমি অদুবু ক্রাইসিস মায়োক্লহনগনি হায়না মেক্সিকোনা কীরি। লৈবাক পুম্বা অমত্তা ওইরি হায়বা উৎলদুনা লৈবাক অদুগী অমগা অমগা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং চেন্নবা পোলিটিকেল ফেক্সনশিংদগী ওইবা মার্চরশিং অমসুং ওর্গনাইজরশিংনা প্রোটেষ্টশিং অদুদা শরুক য়াখি।

প্রোটেষ্টরশিং অমসুং ওর্গনাইজরশিংবু লৈবাক অদুগী মরু ওইবা ব্রোদকাষ্টর টেলিভিজনগী প্রো-মার্চ এইদ কেম্প্যেননা পূক্লিং থৌগৎখি।

# টুর্কমেন প্রসিদেন্টনা মখা তানা চহী ৭ কী টার্ম অমগসু পায়রগনি



অশগাবাট, ফেব্রুৱারী ১৩ :

টর্কমিনিষ্টানগী কন্না কন্টেষ্ট তৌনখিদবা মীখলদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রিবা ষ্ট্রোংমেন গুরবাঙ্গুলি বর্দিমুখমেদোভনা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৯৮ রোম ফংদুনা অনৌবা চহী ৭ কী টার্ম অমগসু পায়রগনি হায়রি। অহানবগী ওইনা মশিং থীবা লোইরবা মতুংদা ফীভমসি লাকখিবনি।

কেপিটেল অশগাবাটতা ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোটরশিংনা চাদা ৯৭ হেন্না ভোট থাদনখি হায়না প্রেস কনফরেন্স অমদা ক্লেম তৌখ্রে। মীখলদুদা বর্দিমুখামেদোভকী ওপোনেন্টশিং ওইনা মীওই নিপান্না মমিংগী ওইনা কন্টেষ্ট তৌখি।

সেন্ট্রেল ইলেক্টোরেল কম্মিসনগী চীফ গুলমিরাট মাইরাদোভনা অতৈ কেন্দিদেটশিংনা ফংনখিবা ভোট মশিং ফাওবা পনখিদে হায়রি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্লা ‘মসিগী খুদোংচাবসি লৌদুনা ঐখোয়না গুরবাঙ্গুলি বর্দিমুখমেদোভনা মীখলদা মায় পাকপসিদা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি’ হায়খি।

হান্না দেন্টিষ্ট অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর ওইরম্বা মশাগী চহী ৫৯ শুরবা বর্দিমুখামদোভনা টর্কমেনিষ্টানগী অহানবা প্রসিদেন্ট সপারমুরাট নিয়াজোভ লৈখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০০৬ তা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী পৱার পায়খি।

অশগাবাটকী স্কুল অমদা মহাক্কী ভোট থাদরদুনা প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি, মীখল অসিনা লাক্কদৌরিবা চহী তরেৎকী ওইনা মীয়ামগী লাইবক লেপকনি। ‘ঐহাক্লা মীখলদা মায় পাকপা তারবদি মীয়ামবু নুংঙাই-য়াইফনবগীদমক্তা পুথোক্লিবা ঐখোয়গী পোলিসীশিং মখা তাখিগনি’ হায়না বর্দিমুখামেদোভনা হায়খি।




## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### Ministry Of Textiles Recruitment 2017 – 40 Professionals (Handicrafts) Vacancies – Last Date 06 March

**Ministry Of Textiles Recruitment 2017**
Office of the Development Commissioner (Handicrafts), Ministry Of Textiles invites applications for the post of 40 Professionals (Handicrafts) on contract basis for its various schemes and sub-schemes under National Handicrafts Development Programme throughout the country, through EdCIL (India) Limited. Apply Online before 06 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : PRU/01/2017
**Ministry Of Textiles Job Details :**
Post Name : Professionals (Handicrafts)
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 25000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for Ministry Of Textiles Recruitment :**
Educational Qualification : Degree/Diploma in the field of Design/Fine Arts (Fashion or Textile Apparel Production) of four years duration from a recognized University or Institute with 01 years experience in the field of handicrafts or cottage or small scale industry OR Diploma in Fine Arts (Fashion or Textile Design) of 03 years duration from a recognized University of Board or Institute with 02 years experience in the field of handicrafts or cottage or small scale industry shall be considered.
Nationality : Indian
Age Limit : 35 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** The selection process will be based on academic qualifications and experience and will also include Computer Skill Test/Written Test followed by interview.
**How to Apply Ministry Of Textiles Vacancy :** Interested candidates may Apply Online through the website http://handicrafts.nic.in form 09.02.2017 to 06.03.2017 thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 09.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 06.03.2017
**Important Links :**
Details Advertisement Link : https://www.digialm.com//per/g01/pub/1258/EForms/image/pdf/Indicative_Advertisement_Handicraft.pdf
Apply Online : https://cdn.digialm.com/EForms/html/form51563/Instruction.html

### ITI Limited Recruitment 2017 – 11 Marketing Executives & Assistant Executive Engineer Trainees Vacancies – Last Date 06 March

**ITI Limited Recruitment 2017**
ITI Limited invites application for the post of 11 Marketing Executives & Assistant Executive Engineer Trainees on Tenure basis. Apply Online before 06 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : ITI/PKD/HR/17/01
**ITI Limited Job Details :**
Post Name : Marketing Executives
No. of Vacancies : 02 Posts
Pay Scale : Grade II
Post Name : Assistant Executive Engineer Trainees
No. of Vacancies : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for ITI Limited Recruitment :**
Educational Qualification :
For Marketing Executives : Engineering Degree in Electronics/Electronics and communication with MBA-Marketing with two years full time course from a recognised university or 2 years full time AICTE approved PG Diploma in Marketing from a recognised institution with Minimum of 60% aggregate marks for General and OBC candidates and Minimum of 58% aggregate marks for SC/ST/PWD candidates.
For Assistant Executive Engineer Trainees : Engineering Graduate in Electronics & Communication/ Civil/ Computer Science or MCA Minimum of 65% aggregate marks for General and OBC candidates and Minimum of 63% aggregate marks for SC/ST/PWD candidates.
Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is for Marketing Executives 30 years & 28 years for Assistant Executive Engineer Trainees As on 07.02.2017

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**
**Selection Process :** Selection will be based on Interview. Candidates will be considered for the interview in the appropriate / lower level of Grade / Designation depending on the experience, salary drawn and position held by them.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 300/- through Account payee Demand Draft in any Nationalized Bank. Candidates are advised to write their Name & Address on the reserve side of the DD (SC/ST & Physically Challenged category persons need not to submit DD).
**How to Apply ITI Ltd Vacancy :** Interested candidates may apply Online through website http://www.itiltd-india.com on or before 06.03.2017 and send Hard copy of Online application along with Self Attested photocopies of certificates and Marks Sheets in proof of Educational Qualification (X standard / SSLC and onwards) and Self attested Photocopies of Experience Certificate/s with a latest salary certificate, DD to Chief Manager-HR, ITI Limited Kanjikode (W), Palakkad Kerala-678623 on or before 10.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of ITI Limited recruitment Online Application form : 06.03.2017
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application : 10.03.2017
**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://www.itiltd-india.com/Careers/Recruitment%20of%20Engineers-Marketing%20Executives_07-02-2017
Download Application Form Link : http://www.itiltd-india.com/Careers/Employment_application_form
**Apply Online :** https://goo.gl/forms/UD0tpAYXwJbNpz072